## দোলর ট্রিলিয়ন ৫গী রোদ মেপ শেম শারে

রিয়াদ, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি) :

কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াবু দোলর ট্রিলিয়ন ৫ গী ইকনমি অমা ওইরক্নবগী পান্দম ফংবা ঙম্নবগী লৈবাক অসিগী রোদ মেপ হৌজিক শেম শারে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফ্যুচর ইনভেষ্টমেন্ট ইনিসিএটিভ (এফ আই আই) ফোরমদা গ্লোবেল ওদিয়েন্সতা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা ইনভেষ্ট তৌনবা গ্লোবেল বিজিনেসশিংদা আপিল তৌখ্রে।

## মাইগ্রেন্টশিং লৌশিলগদবনি

রোম, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি) :

চেরিতি রেস্ক্যু জহাজ ওসিন ভাইকিংদা নুমিৎ ১২ চুপ্পা ফাইদুনা লৈরকখিবা মাইগ্রেন্ট ১০০ হেনবগী মনুংদগী ৭০ দি ফ্রান্স অমসুং জর্মনিনা লৌশিনগনি হায়না ইটালিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। মল্টা সম্মিটতা য়ানখিবা মতুং ইন্না ভেসেল অদুদগী মাইগ্রেন্টশিং লৌথোকপগী থৌরাং খুদিংমক মপুং ফারে হায়খি।

# য়ু কেদা দিসেম্বর ১২ দা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি, পোলিটিকেল পার্টিশিং মীখলগী কেম্প্যেনগীদমক শেম শানখ্রে



লন্দন, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি) :

বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টনা দিসেম্বর ১২ দা মীখল পাঙথোকপগী ৱাফম এপ্রুভ তৌখিবগা লোয়ননা য়ু কেগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীখলগী কেম্প্যেনগীদমক শেম শাবা হৌনখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওপোজিসন য়াওনা হাউস ওফ কম্মন্সকী এম পিশিংনা এপ্রুভ তৌখিবা লেজিসলেসন মতুং তারকপদা হাউস ওফ লোর্দসতা পুথোকপদা অয়েৎ অপন অমত্তা লৈরোই হায়না থাজনরি।

অকন্নবা মীখলগী লান অমগীদমক্তা শেম শারে হায়না বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না ফোঙদোকখি।

ঙন্না দিসেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ভোট অদুনা ঈ য়ু থাদোকপগী মহাক্কী দিল অদুদা অনৌবা মেন্দেট অমা পীবগা লোয়ননা ব্রেক্সিটকী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টকী লৈখায় তাদবা ফিভম কোকহল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন্না বি বি সীদা ফোঙদোকখি।

কঞ্জার্ভেটিভ এম পিশিংদা মহাক্না ব্রেক্সিট মায় পাকহন্নবগীদমক হৌজিক লৈবাক পুম্বনা অমত্তা ওইনা লিংজেল মান্ননা লেপমিন্নবগী মতম ওইরে হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা মীখল অরায়বা ওইরোই অমসুং ঐখোয়গী অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা মায় পাকহনগদবনি হায়খি।

ওপোজিসন লেবর পার্টিগী লুচিংবা জেরেমি কোর্বিননা হায়খি মদুদি, মীখল ঙন্না পাঙথোকপনা মীরোল অমদা লৈবাক অসিদা মপুং ফানা অওনবা লাকহন্নবগী খুদোংচাবা অমা পীরগনি। মহাক্কী সেদো চান্সলর জোন মেকদোনেলনা মীখল অদু ব্রেক্সিট খক্তগী নত্তে মদুনা ঐখোয়গী পব্লিক সর্ভিসতা উরিবা কা হেনবা থবকশিং অমদি কা হেন্না শেল চাদিং তৌবগী থৌওংনচিংবশিং লাকশিন্নবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অমসু পীরগনি হায়খি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না য়ু কেগী দিভোর্সকী মতম কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারি ৩১ ফাওবা শাংদোকহনখিবা মতুংদা মীখল অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

# লেবাননদা প্রাইম মিনিষ্টর রিজাইন তৌখ্রে, প্রোটেষ্টরশিংনা লম্বী হাংখ্রে



বৈরুট, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি) :

নুমিৎ ১৩ নি চুপ্পা লেপ্তুনা চথুরকখিবা অকনবা দেমোনষ্ট্রেসনশিংনা লৈবাক্কী থবক থৌরম পুম্নমক্তা চাওনা অকায়বা পীবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর ফাওবা নমদুনা মফম থাদোকহনখ্রবা মতুংদা লেবাননদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহন্নবা লৈবাক অসিগী আর্মিনা প্রোটেষ্টরশিংদা মতম শাংনা মফম কয়াদা থিংজিন্দুনা থল্লকখিবা লম্বীশিং হাংদোক্নবা আপিল তৌখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লৈবাক অদুগী মরু ওইনা হায়ৱে খরা নৌনা অমুক হাংখ্রে হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মফম থাদোকপগা লোয়ননা কোলিসন গভর্নমেন্ট তুহনখিবা সাদ অল-হরিরিনা হায়খি মদুদি, রুলিং এলিটকী মায়োক্তা চথুরকখিবা প্রোটেষ্টশিংনা লেবাননদা থোকহল্লিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস লৈখায় তাথোক্নবা মহাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রে। য়ুমশকৈশগী অঙনবদা ট্রুপশিংনা দেমোনষ্ট্রেটরশিংগা ঙাইহাক মুক্নরবা মতুংদা বৈরুটকী অৱাংদা লৈবা মরু ওইবা লম্বী অমা হাংদোকখি।

# ‘য়ু এস, চাইনা মুক্নবনা নাকল অনীমক মাঙজগনি’



হ্যুষ্টন, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি) :

চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অমনা অমদা থোঙ থিংজিন্নবগী থৌওং চথুবগী মহুত্তা অমগা অমগা মতেং পাংনগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা চাইনিজ এম্বেসেদর কুই তিয়ানকাইনা হ্যুষ্টন্দা বাইলেটরেলগী মরীগী মতাংদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

কোওপরেসন পীনবা তারবদি লৈবাক অনীমক্না কান্নবা ফংনগনি। তৌইগুম্বসুং মুক্নবগী থৌওং চথুবা তারবদি নাকল অনীমক মাঙজগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা তিয়ানকাইনা হায়খি মদুদি, চাইনানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা থোঙ মান্ননা অমসুং অমগা অমগা ইকাই খুম্নবদা য়ুম্ফম ওইরগা মখা তানা দাইলোগ অমসুং নিগোসিএসন চথুগনি হায়না থাজে।

মহাক্না ৱাফম অসি জোজ ঐচ দব্লিয়ু বুস ফাউদেসন ফোর য়ু এস-চাইনা রিলেসন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা বুস চাইনা কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি।

চাইনিজ এম্বেসেদর অসিনা ইকনমিক ইন্টিগ্রেসন অমসুং কম্মন দিভলপমেন্ট হায়বসি নাকল অনীনা মরুপ-মপাং ওইবা মওংদা অমগা অমগা মতেং পাংনরগা থিংবা য়াদনা লাকচগদবা ফিভমশিংনি হায়নসু ফোঙদোকখি। চাইনাবু ফত্তনা উহনবগী থৌওং অসি পোলিটিকেল মীৎয়েংদা চুম্মী হায়না থল্লদুনা এম্বেসেদর অসিনা হায়খি মদুদি, হৌজিক্তি মীয়াম্না অসিগুম্বা পোলিটিকেল প্রোপেগন্দাদা চুবদগী চাইনাগী মায়োক্তা ঙাঙলকপা কয়া থোইদোক্না ঙকপা পোক্লদ্রে।

অমগা অমগা ইকাই খুম্নবা অমসুং নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাফম কয়া পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মওংদা নীংথিনা মেনেজ তৌবনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহী ৪০ রোম অসি চাইনা-য়ু এসকী মরী ফগৎখি হায়না তিয়ানকাইনা ফোঙদোকখি।

বাইলেটরেল মরীদা লৈবাক অমনা মায় পাকপা হায়বসি অতোপ্পা লৈবাক অদুদা মরু ওই হায়বসি পুৱারিনা প্রুভ তৌখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি। য়ু এস-চাইনাগী মরী চহী ৪০ শুরকপগা মরী লৈনবা নুমিৎ নিনিগী ওইবা কনফরেন্স অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লোইশিনখি।

# হাউস দেমোক্রেটশিংনা ইম্পীচমেন্ট রিজোল্যুসনগী টেক্স ফোঙখ্রে




ৱাশিংটন, ওক্তোবর ৩০(এজেন্সি) :

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগী মায়োক্তা চথুবা ইম্পীচমেন্ট ইনক্কাইরি অমগী প্রোসিজরশিং ফোরমেলাইজ তৌনবগী পান্দমদা পুথোকখিবা রিজোল্যুসন অমগী টেক্স য়ু এস হাউস দেমোক্রেটশিংনা রিলিজ তৌখ্রে।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হাউস রুলস কম্মিটিগী চ্যেরমেন জিম মেগোভর্ননা উৎথোখিবা রিজোল্যুসন অদুদা লৱার চেম্বরগী ইন্টলিজেন্স পেনেলনা পব্লিক হীয়ারিংশিং কন্দক্ট তৌনবা অমদি ৱিটনেসশিংনা রিলিজ তৌনবগী প্রোসিজরশিং য়াওরি হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

পব্লিক হীয়ারিংগী মতাংদদি রিজোল্যুসন অদুদা চ্যেরমেন অমসুং হাউস ইন্টলিজেন্স কম্মিটিগী রেঙ্কিং মেম্বরবু মিনিট ৯০ ফাওবা ৱিটনেসশিংবু ৱাহং পাউহং তৌবা য়ানবগী লোল য়াওরি। রিজোল্যুসন অদুনা রিপব্লিকানশিংবু ৱিটনেসশিংগী ৱারোল লৌবা য়াহনবগা লোয়ননা সপিনাশিং ইশ্যু তৌবসু য়াহল্লি।

তৌইগুম্বসুং রিপব্লিকানশিংনা ইশ্যু তৌবা সপিনাশিং অদু দেমোক্রেটশিংনা য়াবা ওইগদবনি। রিজোল্যুসন অদু শগোলশেল নুমিত্তা হাউসতা পুথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

হাউস কম্মিটি মরিগী চ্যেরশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা থোকখিবা অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, ইম্পীচমেন্ট ইনক্কাইরি অদুগী মথংগী ফেজ ৱিটনেসশিংগী ৱারোল লৌবদা ফোংলমদবদগী ওপন হীয়ারিংগী ফিভম লাক্লগনি। অসিগুম্বা ওপন হীয়ারিং চথুবা তারবদি অমেরিকানশিংনা য়াম্না থুনা ৱিটনেসশিংগী ৱারোলশিং তাবা ফংলগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

অমরোমদা, হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি ষ্টেফানি গ্রিসন্না থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা ইম্পীচমেন্ট ইনক্কাইরি অদু হাউসনা ভোট লৌনদুনা হৌনবীগী ওইবা ওথোরাইজেসনগী মওং ৱাৎপনা মরম ওইদুনা হেক হৌবদগী লোনা য়াদবা নমথাক্কী থৌদৌ অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইম্পীচমেন্ট ইনক্কাইরি অদু প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী য়ুক্রেনগী মরি লৈনবা ৱাফম খরগী মতাংদা হ্বিসলব্লোৱর অমনা ফোঙদোরকখিবা মতুংদা হাউসকী স্পীকর নেন্সি পেলোসিনা হৌখিবা থাদা ইনিসিএট তৌখিবনি।

# ফিলিপিন্সতা য়ুহা হাখিবদা শিখিবা মী মশিং ৭ শুরে, ৪০০ শোক্লে



মনিলা, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি) :

খা থংবা ফিলিপিন্সকী মিন্দানাও ইথৎতা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক্তা শিখিবা মী মশিং ৭ য়ৌখ্রে অমসুং অশোকপশিংগী মশিংনা ৪০০ য়ৌরে হায়না ওথোরিটিশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইফে ন্যুজগী রিপোর্ট মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবা য়ুহা হাবা অদুগী ইপিসেন্টর কোতাবাতো প্রোভিন্সকী তুলুনামদগী কিলোমিটর ২৫ রোম লাপ্পা মফমদা ওইখি। লমদম অদুদা চয়োল অনীগী মমাংদা মেগ্নিট্যুদ ৬.৪ য়ৌনা নীকখিবদা মীওই ৭ শিখিবগা লোয়ননা মীওই ২০০না অশোক অপন নংখিবনি।

কোতাবাতো প্রোভিন্সকী কোরোনাদলদা মশাগী চহী ৬৩ শুরবা নুপা অমা মকোক্তা শোকপদগী শিখি অদুগা চহী ১৫ গী নুপামচা অমনা য়ুমগী অকায় অতোয়শিংনা ফুমদুনা শিখি। অকোনবগী থৌদোক অসি দভাও দেল সুরগী মাগসাসাইদা নুপামচা অদুনা খুদোংথিবা নংলোইদবা মফম অমদা হোংদোক্নবা হোৎনরিঙৈদা থোকখিবনি হায়রি।

লৈবাক অদুগী দিজষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিশিং, মিদানাওগী হোস্পিটালশিং অমসুং ক্লিনিকশিদগী ফংবা খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্ট মতুং ইন্না লমদম অদুদা পুন্না ৩৯৪ অশোক অপন নংখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় অয়াম্বা কোতাবাতো প্রোভিন্সতা থোকখিবনি। লমদম অদুনা লৈরিবা পব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফেসিলিটি ১৩৩ অমসুং তুলুনামদা লৈবা য়ুম পুম্নমক্কী চাদা ৯০ মাঙহন তাকহনখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুনা মীওই ৮,৪০০ হেন্না চৈথেং নংহনখি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা ৩,৫০০ দি ওথোরিটিশিংনা শেমগৎলিবা টেম্পররি সেল্টরশিংদা হোংদোকখ্রে হায়রি। স্কুলশিং থোঙ লোন্নবগা লোয়ননা নেসনল পুলিস পর্সনেলশিংনা অশোক অপন নংলবশিংদা মতেং পাংখি।

# সিটিজনশিং ফাজিনবা প্রোটেষ্ট তৌদুনা এনভোই কৌথোকখ্রে



অম্মান, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি) :

ইজরেলনা লোনা য়াদবা মওংদা চার্জ অমত্তা তৌদনা থা অনী চুপ্পা ফাজিন্দুনা থল্লিবা জোর্দানিয়ন সিটিজন অনী থাদোক্কবা মতম খরা কন্না তকশিন্দুনা লাক্লবা ফাওবা ইজরেলি ওথোরিটিশিংনা করিমত্তা তাশিন্নদবগী থৌওংবু য়ানিংদবা উৎলদুনা জোর্দান্না লৈবাক অসিগী ইজরেলদা লৈরিবা এম্বেসেদর কৌথোকখ্রে হায়না কিংদম অদুগী ফোরেন মিনিষ্টরনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্টর এমন সফাদিনা ত্বিটরদা থোকখিবা ৱারোল অমদা জোর্দানিয়ন সিটিজন অনী হিবা লাবাদি অমসুং অব্দুল রহমন মিরিগী পুন্সিগী ওইবা অফ-ফত্তা ওইবা থৌদাং ইজরেল গভর্নমেন্টনা লৌগদবনি। মতম শাংনা ফাজিনবনা মরম ওইদুনা মীওই অনীসিগী হকচাংগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনখ্রে হায়খি।

অসিগুম্বা ইজরেলি গভর্নমেন্টকী লোনা য়াদবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা অহানবা খোঙথাং অমা ওইনা ইজরেলদা লৈরিবা জোর্দানগী এম্বেসেদর কৌথোক্লিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা লাবাদি হঙ্গর ষ্ট্রাইক তৌবদা হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকখিবা মতুংদা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখিবনি। মহাক হৌখিবা ওগষ্টতা ইমুং মনুংগী ওইবা লুহোংবা অমা য়াওনবগীদমক ৱেষ্ট বেঙ্কতা চঙশিনখিবা মতুংদা ফাখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মঙোন্দা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীবগী থৌওং চথুবা লৈতে।

সফাদিনা হায়খি মদুদি, ইজরেলি এদমিনিষ্ট্রেসন্না জোর্দানিয়ন সিটিজন অদুবু ফাজিন্দুনা থল্লিবদু লোগী মায়োক্তনি। মখোয়বু ময়ুমদা তেক্ত-কায়দনা হল্লকপা য়ানবগীদমক মহাক্কী লৈবাক্না তঙাইফদবা লিগেল অমসুং দিপ্লোমেটিক্কী থৌরাং খুদিংমক লৌখৎকনি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইজরেলগা মরী শোকচিল্লকখিবা জোর্দান অসি তেল অবিবকা পিছ ট্রিটি লৈনবা অরাব লৈবাক অনীগী মনুংদা অমনি।

# অর্মিনিয়নশিং পাক্তক্লনা হাৎখিবা জেনোসাইদনি : য়ু এস হাউস



ৱাশিংটন, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি) :

য়ু এস অমসুং টর্কিগী মরক্তা হীরম কয়াগী মরক্তা উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা কন্না য়েৎনদুনা লাকখিবা পুৱারীগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমদা য়ু এস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভনা মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও মনুংদা ওতোমান টর্ক্সশিংনা অর্মিনিয়নশিংবু পাক্তক্লনা হাৎখিবগী থৌদোক জেনোসাইদ অমা ওইনা শকখঙবগী ৱাফম হুপ্পা শৌগৎখ্রে।

লুখ্রবা ইশ্যু অসি য়ু এস অমসুং টর্কিগী বাইলেটরেল মরীদা খুরৌ কন্না থাংবগী ফিভম অমা লৈরিঙৈ চৈরক্তা লাক্লিবনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বি বি সীগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ভোট লৌনবদা হাউস মেম্বর পুম্নমক্না টর্কিগী মায়োক্তা অর্মিনানিয়নশিংগী মীহাৎ অদুবু জেনোসাইদ অমনি হায়না শকখঙখিবা অসিনা ভিক্তিমশিং অদুগী ইকাই খুম্নবা উৎলি হায়না হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯১৫-১৬তা ওতোমান টর্কশিংনা অর্মিনিয়ন লিশিং চা কয়া পুল্লপ ওইনা নোংপোক থংবা এনাতোলাদগী সিরিয়াগী লৈকংলা লম অমদি অতে খুদোংচাদ্রবা মফমশিংদা নমদুনা চৎহনখিবদা অর্মিনিয়ন লিশিং কয়া শিখি হায়বসি মালেম পুম্বনা য়ানবা ৱাফম অমা ওইখিবনি।

মখোয় টর্কিস ওথোরিটিশিংনা হাৎখি নৎত্রগা চাবা ফংদবদগী নৎত্রগা লায়না তিলনা কয়ানা মরম ওইদুনা শিখিবনি। শিখিবা অর্মিনিয়নশিং অদুগী অপুনবা মশিংগী মতাংদা য়েৎনদুনা লাকখি। অর্মিনিয়নশিংনদি পুন্না মীওই মিলিয়ন ১.৫ শিখ্রে হায়রি। অমরোমদা, রিপব্লিক ওফ টর্কিনদি শিখিবা অর্মিনিয়ন মশিং পুন্না ৩০০,০০০নি হায়না পারি।

ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ জেনোসাইদ স্কোলরস (আই এ জি এস)কী মতুং ইন্না মতমদুদা শিখিবা অর্মিনিয়নশিংগী মশিং মিলিয়ন অমদগী হেনখি। অদুমওইনমক মতম শাংনা টর্কিস গভর্নমেন্টনা মীহাৎশিং অদুগা মরী লৈননা জেনোসাইদ হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নদনবা য়ু এস অমসুং মালেমগী অতে লৈবাক কয়াদা লোবিগী কেম্প্যেন অমা চথুরকখিবনি। ইন্টরনেসনল অমসুং রিজনেল সিক্যুরিটিগী অরুবা ফিভম লৈরিঙৈ চৈরকসিদা য়ু এস পোলিটিসিয়নশিংনা অসিগুম্বা ৱারেপ লৌরক্লিবা অসিনা লৈবাক অনীগী মরী শোকহনগনি হায়না টর্কিনা ফোঙদোকখি।

# ইরাক্কি প্রাইম মিনিষ্টর শৌগৎপশিংনা মহাকপু মফম লৌথোক্লবা খন্নখ্রে



বাঘদাদ, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি) :

ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অব্দুল মহাদিবু মরু ওইনা শৌগৎলিবা মীওই অনীনা মহাকপু মফম লৌথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপগী ৱাফম য়ানখ্রে হায়রি। মহাদিগী গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা কেপিটেল বাঘদাদ অমসুং সিয়াইটশিংনা নম্না তারিবা খা থংবা লমদম অয়াম্বদা মীয়ামগী প্রোটেষ্ট কনখৎলকখিবগা ইরোইননা মহাকপু মফম লৌথোকপগী ৱাফম অসি মহাকপু মরু ওইনা শৌগৎলিবশিংনা খন্নরকখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টকী খ্বাইদগী চাওবা ব্লোক লুচিংলিবা মীয়াম্না পাম্নরবা সিয়াইট ক্লারিক মুকতাদা অল-সদরনা অব্দুল মহাদিদা মীখল ঙন্না পাঙথোক্লবা আপিল তৌখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অদু য়াখিদবা মতমদা মহাক্কী মরু ওইবা পোলিটিকেল রাইভেল হাদি অল-অমিরিদা মহাদিবু চিংথুবদা মতেং পাংনবা তকশিনখি।

সদরগী এলাইয়ন্সকী মথংদা পার্লিয়ামেন্টতা অনীশুবা খ্বাইদগী য়াম্বা সীট মশিং পায়রিবা ইরান্না শৌগৎপা সিয়াইট মিলিস্যাগী পার্লিয়ামেন্টরি এলাইয়ন্স অমা লুচিংলিবা অমিরিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর মফম লৌথোকপদা মতেং পাংগনি হায়না লাউথোকখি।

ইরাক্কি মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং থুংহন্নবা অমসুং লৈবাক অসিবু অনৌবা অফবা লৈঙাক অমা লাকহন্দুনা কনবা য়ানবগীদমক্তা ঐখোয়না পুন্না থবক তৌমিন্নগনি হায়না অমিরিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

চয়োল কয়ামুক পোলিটিকেলগী তং তাদবা ফিভম অমা লৈখিবা মতুং চহী অমগী মমাংদা অব্দুল মহাদিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস পায়বা হৌখিবনি। মতমদুদগী পোলিটিকেলগী লৈখায় তাদবা ফিভম অমদা সদর অমসুং অমিরি অনীমক্না গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা য়াগদবগী চাংদা ভোট মতিক চানা ফংবা ঙমখিদবনি।

মমৈথংদা মখোয়না অব্দুল মহাদিবু পুম্নমক্না য়ানবা কেন্দিদেন্ট অমা ওইনা কোলিসন গভর্নমেন্ট অমা লুচিংনবা খনখি। ইরাক্তা চহী অনীরোম চুপ্পা পাক্তক্লনা করপসন অমদি শেল-থুমগী অৱাবা ফিভম লৈরকখিবদা পেন্দ্রবা মীয়াম্না গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা অকনবা প্রোটেষ্টশিং চথুরকখিবনি।

থা অসিগী ১ দগী হৌখিবা মীয়ামগী ইরাং অদুদা হৌজিকফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫০গী পুন্সি লোমখ্রবনি।